# নীংশিংলুবদা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, ন্যু দেল্লিদা হোষ্টেল ফংদুনা লৈত্রিঙৈগী ৱারী মতেক অমনি। ইটানগরগী ষ্টেট লাইব্রেরিদা অফংবা লাইরিকশিং খোমজিন্দুনা কন্না হোৎনদুনা জে এন য়ুগী নেসনল এন্ত্রান্স টেষ্ট থাবা গুৱাহাটিদা চৎতুনা য়াওরে। তশেংনা নীংশিংবদি থোক্ত্রে। থা অমমুক্লা কৈনো লৈরগা ওইরমগনি ঐহাক জে এন য়ু নেসনল টেষ্ট অদুদা পাস তৌরে হায়না জে এন য়ুদগী চিঠি অমা থারকই, দেল্লিদা মতম চানা লাক্তুনা মীং চনশিন্নবা হায়দুনা। নুমিৎতো ঐহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী হরাওবা নুমিৎ ওইখি ইন্দিয়াগী মকোক ওইবা মহৈশঙ অমদা ঐহাক্না মঙজখিবা মঙলানদুগা মান্ননা মহৈ তম্বা ঙম্লগনি খল্লুবদা। হরাওফমসু থোকই মমিং ফাওবা ইদুনা শাখি পীবা ঙমখিদবা, মীগী লৌ উদুনা মচা ১০ থাক্লবা হোৎনবনা লাইনীং ওইদুনা পোথাবা হায়বদু খঙদনা থবক কন্না শুনা-শুনা চরা অনী পুক থন্না মচাশিংবু পীজবা ঙমখিদবা অদুগুম্বা লায়রখ্রবা ইমুং অমদগী হৌরকপা ঐহাক্কুম্বা মীশক অমনা অদুগুম্বা ইন্দিয়াগী মকোক ওইবা, মমিং লৈরবা মহৈশঙ অমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মখা তমথবা ঙম্লগনি খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইখি। অসুক্কী মতিক হায়ফম খঙদনা নুংঙাইখি। মীকুপ্তুদা অপোকপী ইমা লৈখিদবগী কায়না মৈচাক ফাওবা কাউখিবনি।

অদুবু কুইদে খঙহৌদনা নীংশিংলকই পলেম ইমাগী শোল্লবা শরূ পোলাংতনা কূপ্লবা শক্তমদো। থৱায়গা হকচাংগা খাইনরগনি খঙলবা পলেম ইমানা মহাক করিসু তৌরোই, ফরকখিনি হায়না মচা ঐঙোন্দা মীনমদুনা মহাক্কীদমক করিসু ৱারুনু, গুৱাহাটিদা চৎতুনা জে এন য়ুগী নেসনল টেষ্টতু নিংথিনা থাদোক্লুচো, ইমা ঙাইরমগে হায়দুনা লৈহৌবদো। অদুগা ঐহাক্না নেসনল টেষ্ট য়াওরুবা লোইদুনা হল্লকপদদি নুমিৎ মাপলনি শুরল্লে ইমাদো মচা অতোনবা ঐহাকপু ঙাইরমদনা চৎখিরম্বা। ইমানা ঐহাকপু মীনমদুনা চৎহনখি গুৱাহাটিদা।

ঙসি ঐহাক্না মায় পাক্না পাস তৌরবা নুমিৎ অসিদনা ঐহাক্কীদমক্তা মতম চূপ্পদা চাওথোকচবা অপোকপী পলেম ইমাদি লৈত্রি অমুক হন্না মচা ঐহাকপু থাগৎপীনবা। চৎপা তারে ঙসিদি দেল্লিদা ঐহাক্কী মহৈ মখা তমথবা ইমাগী থৌজাল অমুক ফংদনা। অদুবু থম্মোয়দা খঞ্জখি ইমানা শোয়দনা লাইরৈবাক্তগী থৌজাল পীবিরক্কনি হায়দুনা।

থম্মোয় কায়বদুগী মথক্তা অমুক লুরিবদি দেল্লিদা চৎননবা ঐহাক্কী খূৎতা শেল অমত্তা লৈরমদে। মতমদুদা ঐহাক্কী ইয়াম্বা মঙলেমজাওসু অতোপ্পা লাপ্পা লৈবা অরুনাচলগী বসার হায়বা মফম অমদা মতম খরগী ওইনা পোষ্টিং তাখিবগী লৈখিবনি। অদুবু চৎতবা য়াদে হায়দুনা হান্না ঐখোয়গা ক্বার্টর অমত্তদা লৈমিন্নরম্বা ইয়াম্বগী জুনিয়র এঞ্জিনিয়র ওইনা লৈরম্বা মমান্নবা অমদগী লুপা ১,৫০০ পুশিন্দুনা চৎলে দেল্লি তম্না। দেল্লি চৎপদুদা ঐহাক্না পুরক্লিবা শেনফমসি শুপ্নতগী লুপা ২,০০০ মুক্তনি।

জে এন য়ুনা থারকপা চিঠি অমদি ঐহাক্কী মীং চনবদা চঙগদবা চে চাং পূম্নমক পুদুনা লাকপনা দেল্লি য়ৌরে। দেল্লি য়ৌনা চৎপদুদি হান্নসু এন সী সী য়াওরিঙৈদা অনী/অহুম্লক চৎখ্রবনিনা অদুম ইতোমতা লাকই। শেল য়াম্না চঙদনবা হায়দুনা ত্রেন তোংবসু সিট রিজার্ভেসনকা অমত্তা কক্তবীদা অফং-অফংবা মফমদা তোংদুনা লাকখি দেল্লিদা। অহোঙবা ত্রেন তোংদুনা চৎপনীনা নুমিৎ হুমনিমুক চঙবনি দেল্লি য়ৌবদা। অসুম্না চৎপসিদি হান্না দি এম কোলেজদা তল্লিঙৈ এন সী সী কেম্প ময়াম অমা মপাল লমশিংদা চৎপদসু শেল খরা লেমহৌনবা হায়দুনা শুম্মাইনা রিজার্ভেসন য়াওদনা চৎখিবা ঙাক্তনি। লুপা লিশীং অনীখক পুরগা লাকপদুনা জে এন য়ুদা হোষ্টেলসু অমুক ফংদ্রে খুদক্তা। য়ুনিভর্সিটি হোষ্টেল খুদক্তা ফংদবদগী মণিপুর ভবনদা হোষ্টেল ফংদ্রিফাওদি লৈরগে হায়দুনা মণিপুর ভবন তম্না লাক্লে।

মণিপুর ভবনসিদি ঐখোয়গুম্বা অতোন অতা, লায়রবা ইমুংদগী লাকপা ঐখোয়গুম্বগীদি লৈফম কাগা অমত্তা ফংবজাৎ নত্তেদা। মদুনবু হেন্না ফনদুম থোক্লে ঐহাক্কী ওইনদি। কা লৌদুনা লৈরবদি শেলসু হেন্না থুনা-য়াঙনা লোইশিনখিগনি। কা ফংদবনিনা ময়ামগী চাক চাফম মেস হোলদা নুংতিগী তূম্মে। মেস হোলদা তূম্বগীদি শেলদি অমত্তা তিংদ্রে, চাবগী নত্তনা। চাবদুসু মপালদা থোক্তুনা চাই অয়াম্বা মতমদা শেল য়াম্না তিংদনবা হায়দুনা। হিংন-হিংনবা চাবা হায়বদুনি। লুপা লিশীং অনীখক পুরকপদুদি ইটানগরদগী গুৱাহাটি য়ৌনবা বস তোংবগী, গুৱাহাটিদগী দেল্লি য়ৌনবা ত্রেন তোংবগী অমদি মণিপুর ভবনদগী জে এন য়ু হঙ্গৎ হন্দা চৎপদা অমদি চাব-থকপগী কাইথোকখ্রগা অয়াম্বনা লোইশিল্লক্লে।

মেস হোলদা ঐহাক্কুম কা ফংদবগী তূম্বা য়াওই ইরমদমগী ইরৈচাশিং অমা/অনী। অদুবু মখোয়দি মতম খরা লৈরগা অদুম চৎনখি মখোয় মখোয়না চৎকদবা মফমশিংদা নৎত্রগা মণিপুর ভবনদা কা ফংদুনা লৈখি। ঐহাক ইতোমতনি মতম শাংনা মেস হোলদুদা তূম্বসে। মণিপুর ভবনদা সুম লৈবদা কা ফংদুনা লৈবা ইরৈচাশিং থেংনবদা কা ফংদদুনা মেস হোলদা তূম্মী হায়বদা ইকায়বা খরদি ফাওই অদুবু ইন্দিয়াগী মকোক ওইরিবা মহৈশঙ অমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমগদৌরিবা মহৈরোয় অমনি খঞ্জদুনা থম্মোয়দদি চাওথোকচৈ।

মেস হোলদা তূম্বসে খরা থেংনা তূম্বা অদুগা ঙন্তানা হৌগৎপসু মথৌ তাই, ব্রেকফাষ্টকী শেম শাবা অমদি ৱাই-নুং শেংদোক-খুন্দোকপগী থবক তৌবদুদা। অসুম্না থা অমা/অনী লৈরক্কবা মতুংদা খুরাইদগী কোন্সম লোকেন্দ্রো কৌবা নুপা অমখক থেংনদুনা খঙনা চান্নখি। অচম্বা পুন্সি লেনবগী চান্নরুবা হায়গদ্রা মহাকসু মণিপুর ভবনদা কা ফংদবদগী মেস হোলদা তূম্বদা য়াওবদগী ঐখোয় অনী অদুম তিন্নবা হৌরকখ্রে। খুরাইগী ইয়াম্বা অসিগী মরু ওইবা থবক্তিং দেল্লিদগী গাড়ী অমনবা লৌথোক্লগা মণিপুরদা শেমজিন্দুনা য়োন্দুনা শেন্দোং তানবগী থবক তৌবনি। মহাক ঐহাক্কী ৱারী তাবদগী অয়াম্বা মতমদা ঐহাক্কী চাব-থকপগী শেল পুথোকপী অমদি পাংবা য়াবা মতেং পাংই। থা অমা হেন্না শেল য়াওদনা নুংতিগী মেস হোলদা লৈবদো য়াম্না ৱাই - ইরুজ-মায়থজবা, ফিরোল থম্বা, চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াম্না খুদোং চাদে। ৱানা-ৱানা ঙাইখি জে এন য়ুদা হোষ্টেল ফংবা থা অমা হেন্না। ●

# মীনাৎকীনা মমাঙথোঙ, ঈনাৎকীনা মনিংথোঙ, ঐখোয়গীনা ভালো !

**- এম এস মঙাং -**

চাওখৎপনা খম থেংলে লৌনরিবা খুন্নাই অসিদা ঈনাৎ অমদি মীনাৎ অনী থোক্লা খাইদোকপগী কান্নবা লৈরিব্রা? ৱাহংনি... পাউখুমদুনি অরুবা ওইরিদি। চৎনবীবু নৈনগদ্রা, ঈনাৎকীবু খনগদ্রা উবু উশিন্দ্রদি করিসু লুনীংঙাই ওইদে। খঙজিন্নদবা অমদদি ইমান্দা মান্নে।

"One of the greatest regret in life is being what others would want you to be, rather than being yourself" – Shannon L. Alder.

ৱাফম অসিদা খরা কুপথনা নৈনবা তারগদি মীনাৎ অমসুং ঈনাৎ অনীগী খেন্নবা ময়েক শেংলক্কনি থাজে। মৈহৌরোলদগী লেঙদনা চৎনরক্লবা ঐখোয়গী চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচা, চৎন-লোনচৎ অসিনচিংবশিং অসিবু ঐখোয়না ঈনাৎকী মনুংদা নৈনবদা থোইদোক্না লাল্লোইদ্রা খল্লি। অমরোমদা মীনাৎ হায়রগদি য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্তবা খাঙ্গুথক্তা চঙশিল্লকপা ইরমদমগী নত্তবা অতোপ্পা ফুরুপ অমদি কাঙলূপশিংগী চৎন লোনচৎ মখোয়গী তোঙানবা নাৎ অদুবু ঐখোয়না মীনাৎ হায়না হনবদা অকায়বা লৈতে। মতমগী মতুংইন্না চৎনবী, নাৎসু অহোংবা লৈগনি অদুমকপু অশেংবা ঈনাৎ অদুবু মুৎপা মখৈ হোংলগদি মদু ঈনাৎকী অওনবা কৌবা য়ারোই, অনৌবা ঈনাৎ ওইগনি। য়েলহৌমী মুৎখিনবা মরমশিংগী মনুংদা ঈনাৎ মুৎখিবসিনসু অচৌবা মরম ওইফম থোকই। য়েলহৌমী অমদি ঈনাৎ অনী অসি তুনা চৎনরবা মতমদা কাঙলূপ-ফুরুপ অদুগী অশেংবা মশক মতৌ উবা ফংগনি। ফীভম অসিদা ঈনাৎ কন্নবনি হায়দুনা মীনাৎপু অথিংবা অয়েৎপা পীনবগী পান্বে শীজিন্নরবদি অউবা, অখঙবশিংনা নোকখিনি, খূবাক খূখিনি। মতাং শ্বাইদা Ray Bradbury গী "You don't have to burn books to destroy a culture. Just get people to stop reading them" নীংশিংবদি কান্নগনি। অদুমকপু মসিবু চুম্মী হায়দনা খূবাক খূবনদি কান্নফম খঙলোই। ঈনাৎ য়োকখৎনবা লাউরগা অতোপ্পগী হঞ্জিন-হঞ্জিন নৈনদুনা মদুবু খুদম ওইনা থিন্দুনা তাক্লগদি ঈনাৎ য়োকখৎনবগীদমক মীনাৎ থৌগৎপা তাদুনা তোকপা য়াই।

ইংলিস ঙাঙলগা, হিন্দি ঙাঙলগা লাইরিক হৈবা, লৈবাক নীংবনি খন্নবা কুমশিং লোইখিদুনা মনশিল্লক্লে। মালেমগী লৈবাক কয়ানা মশাগী লোল, ময়েক ঙাক্তুনা থম্নবা শিবা-চঙবা খঙনদবা মতম লাক্লে। মসিমক মাঙলোমদা চঙশিনবা চাওখৎপনি লোয়ননা অহোংবনি লৌগনি।

The **theme** for **International Mother Language Day 2020** is '**Languages** without borders'.

The United Nations Educational, Scientific and Cultural Organization (UNESCO) says that local and cross-border **languages** can promote peaceful dialogue and help *to preserve indigenous heritage.* মসিমক্লা ঐখোয়গী ইরোল ইয়েক অমদি ঈনাৎ ঙাক-শেন্দুনা থম্বসি ঐখোয়গী ইথৌনি হায়দুনা মালেম পূম্বদা খঙহনবনি। অদুমকপু হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা অনৌবা চৎনবী অসিদদি তাইওন্নবগুম উরি। চাওখৎলকপনি হায়দুনা ঐখোয়গী লৈজরম্বা ফজরবা নুংগী চৎনবী কয়া অমা তোঙানবা শক্লোন অমদা মরীং মরাংহল্লে। ৱাশকপা য়ানবা লাইগীসু শোয়দনবা, মীগীসু নুংঙাইনবা হোৎনবদা অয়েংবা, অউবা ময়ামদি কোক্তা খূৎ হাপ্নরে। য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংবা চৎনরক্লিবা অমখক পুথোক্লগা নৈনরবদা মৈতৈগী **'লু-হোংবা'** অসিদা হোংলক্লিবা চৎনবী অসি কূপ্না য়েংবদা লৌশিং ওইগনি খল্লি। অহল লমনশিংনা তাকপীরম্বদা **'লু-হোংবা'** হায়বদি তুম্বা হোংবা নৎত্রগা ৱাখল হোংবনি হায়বীরম্মী। মসিদা ঈনাৎকী ওইবা চৎনবী অকুপ্পা লাই-তীলগী থৌরম কয়া অমা পরিং নাইনা য়াওরি। কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা চহী কয়া অমা মীনাৎ অমসুং ঈনাৎ পূনশিল্লম্বনা তোঙানবা মশক অমা উরল্লবসু ঈনাৎকী অকনবা ঈহৌ অমদা অয়াম্বা শরুক্তি ঈনাৎ য়োকখৎপা হৌরকপগী মমি তারক্লে অদুবু কদোমদনো অমদি ইহো হোবগুম তৌরি। পুন্সি লৈপুন শেল্লিব্রা, শেল য়াম্না তিংবী তান্নরিব্রা হায়দনবা অমদি য়াওবগুম তৌরে। মীয়াম্না করি হায়খিগদগে খন্নরিঙৈ খ্বাইদগী চৈথেং ফংলিবদি শেন্থোক য়াম্না লৈজদবা লায়রবা ইমুংশিংদি শিনীংবগী ফীভম য়ৌরে। মচা নিংঙোল পোকপা, মচা পিবা পোকপা অনীমক লুহোংগনি খনবদা নিংথমথাগী অহিংদা ফৈজুপ শুপ্তুনা য়াংলেন হুমাং কাংলে হায়বদুমক য়ৌরম্বা য়াই। মীতোপ মীরানচাশিংগী কাঙলূপ কয়াদা অউনপোৎ য়ামদবগী মমৌ হৎপা, ওৎপা-নৈবা কয়া পাউচেদা, ৱারীদা, লাইরিক্তা তারমবদু ইরমদম অসিগীসু চৎনবী অমা ওইনা শরুক থুংলক্কদ্রা হায়বগী য়াম্নমক অকিবা পোক্লে। মতাং শ্বাইদা য়াম্না নুংঙাইবা লৈপুং ৱারী অমখক পল্লম্বা চুমগনি - 'লুহোংদ্রিঙৈ থা ১-২ ৱাৎলিঙৈদগী প্রি-ৱেদ্দিং, লোইরবা মতুংদনা পোষ্ট-ৱেদ্দিং ফোটোশুট, লুহোংবা মতুংদনা অচৌবা 'আর্টিফিসিএল বর্থদে' লুহোংবা নুমিৎতনা ফিল্ম শুটিং। ফিল্ম য়াওহৌরুনবা হোৎনবদা নেৎশিন্নদুনা লুহোংফম কায়বসু য়াওনহৌরে হায়দুনা ৱা-ৱা লাউনহৌরে..." লুহোংবা য়াওবা লাক্লিব্রা, ফিল্ম শুটিংগী কেমেরা মনুং চলহৌনবা লাক্লিব্রা অউবশিংগীদি কুম্মৈ ওইরে। ঐখোয়গীদি কুম্মৈ নুংঙাইহল্লু য়েংবগীদি লোইদ্রিফাও অদুমক য়েংগনি লোইরকপদা ভালো...ভালো... লাউদনা তোক্লোই!

মেত্রো সিটিশিংদা অমদি সেন্ত্রেল ইন্দিয়াগী মফমশিংদা ঐখোয়না ময়াং হায়নরিবা ফুরুপ অতোপ্পগী লুহোংবগী চৎনবীদা কায়বা য়াদ্রবা থৌরম পরিং ওইনা - হলদি, মহেন্দি, সঙ্গিৎ (সেরেমোনি ওফ ম্যুজিক এন্দ দান্স), Cocktail & Bachelor Party (Crazy Night Ceremony), Wedding Day হায়বনচিংবা মথং-মথং থল্লিবা অসিগুম ঐখোয়গীসু মপান্থোংগী ফজনবগীদমক্তা কা হেন্না শেল চঙহনবা মথৌ তাব্রা মসিমক তঙাইফদবা ওইরবা ঐখোয়গী ঈনাৎ অমদি চৎনবী য়োখৎনবা হোৎনবদা...? মসিনা ঙম্না চৎখিবা তারগদি শেন্মীৎলোন্দা উকায় তক্লিবা লমদমসিগী চৎনবীদি ইকায়রদুনা মনীংথোঙ ফাওদুনা চৎখিবা তারব্রা?

"Breaking the stereotype" হায়বগী হায়নীংবা মওংদা ৱাহন্থোক পিরক্লিবা চৎনবী অসিনা অরানবা মওংদা অমদি ঐখোয়গী চৎনবীদগী লাপ্না নাথৈদুনা পুখিবা তারগদি ঐখোয়গী খুন্নাই অমদি ঐখোয়গী অশেংবা মশক্লা কদোমদা চৎকদৌরি। অদুমক লম্বী মাঙবা শাদুনা উনা-উনা কান্দুনা চৎপদি খাঙবা ঙম্বগী ঈ য়েলহৌমীশিংদা য়াওরকপা অইবা অমদি ইরমদবা হিষ্ট্রিদা থেংনদ্রি।

লাইরিক লাইশু হৈরবা অহল-লমন, নহারোলশিং পূনশিন্দুনা কোক চুংশিন্নবা মতম হেনখিনি। লৈকায় সোরাৎ তোকপীরো, শাগৈ পূনবা, লুহোংবা, চাক্কৌবা, ঈপানবু ফেষ্টিবেল ওন্থোকপীগনু। 'ভালো ... ফজনবা হোৎনবদা মমা-মপা ওইরিবশিংগী কোক্তা খূৎ হাপ্নবা থবক তৌবীরনু। ঈনাৎপু ফমেন্দা থমসি, মনীংথোঙদা থোকখিবা ফজবা লৈবাক মচা তাবনি হায়নখিরোই অউবা মীশিংনা...। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## শিজ হোস্পিটালনা তমেংলোংদা ফ্রী ক্লেফ্টস স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলগী হেল্থ সিটিদা লৈরিবা শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তমেংলোংগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৬তা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ক্লেফ্টস লিপ অমসুং পেলেট, কোংজিনাইটেল হার্ট দিজিজ, কোংজিনাইটেল কেটরেক্ট অমসুং অতোপ্পা কোংজিনাইটেল বার্থ দিফেক্টশিংগী ফ্রী স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরি।

হায়রিবা লায়না মখলশিং অসিগী পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রী স্ক্রিনিং কেম্প অসি শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটনা স্মাই ট্রেনগী শিজ ফাউন্দেসন, চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও), দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, তমেংলোং অমসুং আর বি এস কে, মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

হোস্পিটাল অসিগী দি জি এম (ওপরেসন্স এন্দ বিজিনেস দিভলপমেন্ট) সন্তোশ সেখরনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, পাঙথোক্কদৌরিবা লায়না মখলশিং অসিগী ফ্রী স্ক্রিনিং কেম্প অসিগীদমক শিজ হোস্পিটালগী ডোক্তরশিংগী টিম অমা মখোয়গী সপোর্টিং ষ্টাফশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ৫দা তমেংলোংগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

অয়াম্বা নুপী-অঙাংশিং য়াওনা মীওই অপুম্বদা মায়োক্লরিবা লায়নাশিং অসিগী ফ্রী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোক্লিঙৈগী মনুংদা কোংজিনাইটেল হার্ট দিজিজগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা পেসেন্টশিংগীদমক লেম্না ইকো স্ক্রিনিং তৌবগী থবকসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

অদুগা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তমেংলোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লেফ্টস লিপ অমসুং পেলেটকী য়াওনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং অসিগী স্ক্রিনিং টেষ্টতগী মশক খঙদোক্লবা পেসেন্টশিংবু মখোয়গী করেক্টিভ সর্জরিগীদমক শিজ হোস্পিটালদা পুরক্কনি হায়রি।

## ওক্রম হেনরিনা নুমিৎ খুদিংগী ত্রাইএল...

*লামায় ১গী মখা...*অসি ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পাঙথোকখিবা মীখলদা কারকখিবা অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী ১২গী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌনরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা অনীশুবনি। হৌজিক্লা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌনরকখিবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২ অদুগী মনুংদা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা কক্চীং এ সীগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুখক্কী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্তুনা দিসপোজ তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক কোর্ট অসিদা ইলেক্সন পিটিসন ১১ পেন্দিং লৈরিবনি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এ সীগী এক্স এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মথক্তা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগীনা হিয়ারিং চথুবা পূমলোই লোইশিনখ্রবা মতুংদা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর হায় কোর্টনা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লক্লিবনি।

ওক্রম হেনরিগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০১৭ অসিনা নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়দগী রাজ কুমার প্রিয়োবর্ত্ত (৪২) অপোকপা আর কে মায়পাকসনা কৌবা মীওই অমবুসু রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইনা কোনশিল্লকখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগী ৱায়েল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা থেঙ্খাং নাইনা চথুরকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না মেট্টর অসি মমাঙ থাগী ২৯দা লিষ্ট তৌখিবনি। নুমিৎ অদুদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা অদুগা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ৱান ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী ক্রোস এগজামিনেসনগী ৱাৎহৌবা শরুকশিং লোইশিন্নবা বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অসি লৌখৎখিবনি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা কেস অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর ১ ওইরিবা পিটিস্নর ৱাই ইরাবোত মশা ঙমদ্রে হায়দুনা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অজয় পেবমনা কোর্টতা সবমিসন তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসন অসিদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা ১৫-ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হাঙদুনা লৈরক্লিবা সিট অসিগী মীখল মথং থাগী ২৪ (মার্চ ২৪, ২০২১) ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবনা মেট্টর অসি য়াম্না অর্জেন্সি লৈরে হায়দুনা ফোঙদোকখিবনি। লোয়ননা অথুবা মতমদা কেস অসিগী ৱিটনেস অসি পুথোকপীরক্লবা প্রেয়র তৌখিবনি।

কোর্টনা নাকল অনীগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১ ওইরিবা ৱাই ইরবোত অমসুং প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ২ অদু থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ২ তারকপদা কোর্ট অসিদা পুথোরক্লবা দিরেক্সন পীখিবনি। নুমিৎ অদুদা পি দব্লিয়ু নম্বর ২ অদুগী ইভিদেন্সশিংসু লৌগদবনি হায়না কোর্টনা খঙহনখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক নুমিৎ অদুদা (ফেব্রুৱারী ৫, ২০২১) দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সনসু পীখিবনি।

চৈরকসিদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগীনা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকপদগী হৌজিক ৱায়েল চথুরিবা ইলেক্সন কেস অসি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা মসিগী ত্রাইএল চথুবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্টতা হায়জরকখিবনি। মহাক্কী প্রেয়র অসি রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৮৬ (৬) কী মখাদা মহাক মশামক্লা এপ্লিকান্ট ওইদুনা অইবা এপ্লিকেসন অমা পীশিল্লকখিবনি। থা অসিগী ২দা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং এফিদেভিটকা লোয়ননা ড্রাফ্ট তৌখিবা এপ্লিকেসন অসি হৌজিক হায় কোর্টতা সবমিট তৌরকখ্রে। ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০১৭কী মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) অমা ওইনবগীদমক ফাইল তৌরকখিবা মহাক্কী এপ্লিকেসন অসি থা অসিগী ৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবগীদমক দিরেক্সন পীখ্রবা ইলেক্সন পিটিসন অসি লৌখৎলকপদা পূন্না লিষ্ট তৌরক্তুনা খন্নরবা য়ানা লৈরে। মহাক্কী মিসেলিনস কেস অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মহাক্কী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন অসিবু ফাইল তৌরকখিবা য়ুমখাম ইরাবোত অমসুং ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা আর কে প্রিয়োবর্ত্তনি।

পনবা য়াবদি, ৱাংখৈ এ সীদগী কোংগ্রেস এম এল এ ওইনা কারকখিবা ওক্রম হেনরি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী রিজাইন তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী রিজিগনেসন লেটর অদু অয়াবা পীরবা মতুংদা এসেমব্লিগী সেক্রেটরি এম রমনিনা ওগষ্ট ১১, ২০২০দা থোকখিবা বুলেটিন পার্ট-২দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ১৫-ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী সিট নুমিৎ অদুদগী হৌরদুনা হাঙলে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক্না এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখিবা থা অদুগী থংনবা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২০দা মতম অদুগী সেক্রেটরি (কেবিনেট) কী থবকসু পুখিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা এক্স এম এল এ ওইরবা ওক্রম হেনরিবু অতোপ্পা এম এল এ ৩ অমসুং এক্স এম এল এ অমগা পূন্না মীওই ৫ বু লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ওইনা খল্লে হায়দুনা খঙহনখিবনি। অদুগা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মখোয়না ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌরবা মতুংদা থবক পায়বা নুমিৎ অদুগী নুংথিলদগী হৌখিবা মতমদা ও হেনরিসু য়াওখিবনি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৭, ২০২০দা চীফ সেক্রেটরি অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী রুল ওফ বিজিনেসকী রুল ৬ (১) গী মতুংইন্না মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং লাউথোকপগী নোটিফিকেসন্দা মহাকপু মহুদ, সোসল ৱেলফেযর অমসুং কোওপরেসন প্রোটফোলিওশিং পীরে হায়খিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. Mutation Case No. 96/SDC/IW-II/2021 Dt. 03/02/2021**

Shamurailatpam Sanatombi Devi, W/o. Late Sh. Rajen Sharma of Meitram

-Vrs-

Shamurailatpam Ibohal Sharma, S/o. Late Radhamohn Sharma

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 03/02/2021

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৩৬-মৈত্রম পাট্টা নং ১৯ (অনৌবা)গী হাল ডাগ নং ৩৩৭ (অনৌবা)গী এরিয়া ০.৫১৯৯০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১০/০২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector : Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/8779/4

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mutation Case No. 283/SDC/H Dt. 11/12/2020**

Kongkham Sanahal Singh, S/o. Kongkham Chaobi Singh of Sekmaijin Khunou -Petitoner

-Vrs-

1. (Late) Maibam Gulap Singh, S/o. (Late) Maibam Ibohal Singh of Sekmaijin
2. (Late) Laishram Ibohal Singh, S/o. (Late) Laishram Mera Singh of Sekmaijin -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 3rd February, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৭-হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং ৬২১ অরিবা পাট্টা নং ৩২৬কী দাগ নং ৫০৯গী লম হেক্তর .২৬৪০ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মিং কক্লগা উক্ত দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা ৱাকৎচেদা ৱাকৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথুজরগনি।

HL-B/6758/4 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Hiyanglam

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 103/AS&SO/K Dt. 01/02/2021**

Naorem Gouro Singh, S/o. Birchandra Singh of Kakching Khunyai Leikai

-Vrs-

Naorem Birchandra Singh, S/o. Gulap Singh of Kakching Wairi Khunyai Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচিং তহশিলগী খুল নং ৫৯-ককচিং খুল্লেন পাট্টা নং ৩৫০/২৭৩ অনৌবা নাগ নং ১০২৮ এরিয়া ১.৭০ হেক্তর ফৌরেল অসিগী নাওরেম বিরচন্দ্র সিংহ পী: মৃ: গুলাপ সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি খুনয়াই লৈকায় অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি, মসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

HL-B/6756/4 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

**IN THE COURT OF THE ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL,**

**Ref :- Mutation case no. 100/AS & SO(TBL) Dt. 01/02/2021**

Moirangthem Tomba Singh S/o (L) Mera Singh of Khangabok Awang Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Moirangthem Kanta Singh S/o Jugol Singh of Khangabok. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 2/2/21

U/S 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মৃত পাট্টাদারগী মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি থৌবাল তহশিল খুল নং ৩৩-খাঙবোক, পাট্টা নং ৩৩/২১৫৫ (অনৌবা)গী দাগ নং. ৪৩৫৯গী এরিয়া .০৬২৯ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি পাট্টাদার মৃত ওইখ্রবনিনা দরখাষ্টকারিনা উক্তা পাট্টাদা মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়না অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কেস অসিগী মরীদা কনাগুম্বা মীওইনা য়েৎপীনিংবা, আপ্তি (ওবজেক্সন) লৈরবদি মরী লৈনবা পাউচে ফোঙখিবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎ (৭)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা আপ্তি (ওবজেক্সন) কোর্ট অসিদা তৌগদবনি। করিগুম্বা শোয়রবদি মতুংদা লাকপা আপ্তি (ওবজেক্সন) লৌরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস অসি মখা চথুগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,Thoubal

HL-P/8587/16

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।